

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, JANUARY 11, 2018 PAGE 7


*মমাঙদা ৱেল্টর ৱেথ বোক্সিংগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা মতুং চহী ২ হেন্না শান্নবদগী পোখারুরগা নৌনা কম্পিটিসন শরুক য়াননবগীদমক শেম শারিবা বৃটেনগী বোক্সর অমির খান*

*মালেমগী ক্রিকেটকী টেষ্ট বেট্টিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোনাল্ড ব্রেদমেননা থম্লম্বা রন লৌবগী চাংচৎতা ৯৫.১৪ গী রেকোর্দ অদু নৌনা চাংচৎতা ১২১.৭৭ তা থম্বা ঙমদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্লিবা আফগনিষ্টানগী বাহির সাহ*

## অহমেদবাদ স্মাসস ৱারিয়র্সনা মুম্বাই রোকেটসপু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা পিবিএলগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা অহানবা টিম ওইখ্রে



*সমির বর্ম অমসুং সৌরব বর্মনা শান্নখিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ অমা*

*চেন্নাই, জনুৱারী ১০ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোক্লিবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেটচ অমদা অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সনা মুম্বাই রোকেটসপু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী সেমি ফাইনেল থাক য়ৌবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্স অমসুং মুম্বাই রোকেটসকী অরোইবা লীগ টাই অদুগী অহানবা মেটচ অদু মিক্স দবলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা মুম্বাই রোকেটসকী লি য়োং দে অমদি গাব্রিয়েলা ষ্টোএভাগী পেয়র অদুবু অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সকী পেয়র লো চেক হিম অমদি কে আর ঝুলনা য়াম্না কোম্না ১৫–১১, ১৫–৭ দা থোইখি।

টাই অদুগী অনীশুবা মেটচ অদু নুপাগী সিঙ্গলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সকী মায়কৈদগী ঐচ এস প্রনোইনা মুম্বাই রোকেটসকী সোন ৱান হোগা লম্বা তৌনখি। য়াম্না মরুওইবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ অদুদা মুম্বাই রোকেটসকী সোন ৱান হোবু অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সকী ঐচ এস প্রনোইনা অহানবা গেম অদু ১৫–১২ তা থোইখি।

অনীশুবা গেম অদুসু মুম্বাই রোকেটসকী সোন ৱান হোনা অকনবা লম্বা তৌরকখ্রবসু অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সকী ঐচ ওস প্রনোইনা অহানবা গেম অদুগী স্কোরগা মান্ননা ১৫–১২ তা থোইরগা পোইন্ট ২–০ দা অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সনা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ অদু নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইখি। মদুদা অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী টাই ঝু য়িংগা মুম্বাই রোকেটসকী বি ঝাংগা লম্বা তৌবদা য়িংনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ১৫–৯, ১৫–১২ তা থোইদুনা অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সকী পোইন্ট ৩ অদুগা মুম্বাই রোকেটসকী পোইন্ট ফংদনা লৈখি।

টাই অদুগী মরিশুবা মেটচ অদু নুপাগী সিঙ্গলস ওইখি। মদুদা মুম্বাই রোকেটস অমসুং অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সকী অপুনবা ত্রম্প মেটচ ওইখি। মুম্বাইগী সমির বর্ম অমসুং অহমেদবাদসকী সৌরব বর্মগী লম্বা অদুদা অহমেদবাদকী শান্নরোই ওইরিবা সৌরবনা য়াম্না নক্কবা লম্বাদা মুম্বাইগী সমিরবু ১৫–১৪, ১৫–১১ দা থোইদুনা টাই অদুগী পোইন্ট ৫–(–১) দা মাঙজিল থাখি।

টাই অদুগী অরোইবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলস লম্বাদা মুম্বাই রোকেটসকী এল ৱাই দে অমসুং বি ঐচ টাননা অহমেদবাদকী রেগিনাল্ড অমসুং নন্দগোপালবু ১৫–১০, ১৫–১২ তা থোইদুনা মখোয়না ত্রম্প মেটচতা নেগেটিভ পোইন্ট ফংখিবা অদু ফুক্কৎখ্রবসু অহমেদবাদ স্মাসস মাষ্টর্সনা পোইন্ট ৫–০ দা মুম্বাই রোকেটসপু থোইদুনা লীগ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা অহানবা টিম ওইখি।

## মিনর্ভা পঞ্জাবনা মোহন বগানবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে



*মিনর্ভা পঞ্জাব অমসুং মোহন বগাননা শান্নখিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমা*

*কোলকতা, জনুৱারী ১০ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অনীগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কোলকতাদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু মোহন বগানবু মিনর্ভা পঞ্জাবনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা মায় পাকখিবা টিম অদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু মাঙওইননা মিনর্ভা পঞ্জাব পোইন্ট ১৬ ফংলগা টিম ১০ না শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা য়ুম্বু ওইখিবা মোহন বগান মেটচ ৮ শান্নবা লোয়খিবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈখি।


ঙসিগী মেটচ অদুদা য়ুম্বু ওইখিবা মোহন বগানগী মায়োক্তা মিনর্ভা পঞ্জাবগী শান্নরোইশিংনা মেটচ হৌবদগী হৌনা পাঙ্গল হেনবগী শক্তম উত্তুনা শান্নবা ঙমখি।

মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা মিনর্ভা পঞ্জাবগী মায়কৈদগী চেনসো গিলটসেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা য়ুম্বু ক্লব মোহন বগানবু সপোর্ট তৌবা লাকখিবা মীওইশিংগী ৱাখলদা চৈনা পীবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ অদু লোয়গদবা মিনট ১৫ ৱাৎলিঙৈদা য়ুম্বু ক্লব মোহন বগাননা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা অরৈবা পাম্বৈ পুথোক্নুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু ইক্কোলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মিনর্ভা পঞ্জাবগী চেনসো গিলটসেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা মিনর্ভা পঞ্জাবনা য়ুম্বু ওইখিবা মোহন বগানবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী অনীশুবা হাল্ফ পাঞ্জল চন্নবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং শান্নরোই লোয়গদবা মিনট ফাদ্রবা মতমদা মোহন বগানগী শান্নরোই কিংসলে ওবুমনেমিনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু মিনর্ভা পঞ্জাবনা পাঞ্জল ২–১ দা মায় পাক্কুনা চথরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অসিগী মকোক থাবা ঙম্লি।

## ভেলেন্সিয়া অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ কিংস কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*ভেলেন্সিয়াগী মায়কৈদগী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল চনখিবা লুসিয়ানো দারিও ভৈটো*

*মাদ্রিদ, জনুৱারী ১০ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ভেলেন্সিয়া অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়ানা লাস পলমাসপু অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীদুনা কিংস কপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুদা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই লুসিয়ানো দারিও ভৈটোনা হেটট্রিক্কী পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙবা ঙমখি। লুসিয়ানোগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩০, ৪৮ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি। অদুগা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই নেমাঞ্জা মাকসিমোভিসনা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমখি।

কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা লৈদা ইস্পোর্টিয়ুবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা এগ্রিগেটতা ৭–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপগী ৫৭শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই য়ানিক ফেরৈরা কারাস্কোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা কেভিন গামৈরোনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মতুং শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোই ভিটোলোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাকখি।

## নেসনেল ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী সরজুবালা, বিনা, অমসুং প্রভিস সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, সরিতা অমদি মেমথোইসু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৫১ দা মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী মণিপুরগী সরজুবালা (ওই)*

*রোটক, জনুৱারী ১০ঃ*

হরিয়ানাগী সিটি রোটকতা পাঙথোক্লিবা নেসনেল ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৱার্ল্ড য়ুথ বোক্সিংগী সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর সরজ বালা দেবী, বিনা দেবী অমসুং প্রভিস চনুনা মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। মণিপুরদগী হৌখিবী মালেমগী বোক্সিংদা মমিং লৈরবী সরিতা দেবী অমসুং মেমথোই দেবীনা ওল ইন্দিয়া পুলিসকী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা মখোয়গী লম্বা মায়থিবা পীরগা মখোয় অনীসু সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড য়ুথ বোক্সিংগী সিলভর মেডল ফংখ্রবী মণিপুরগী সরজ বালা দেবীনা কিলোগ্রাম ৫১ গী কেটেগোরিদা মধ্য প্রদেসকী বোক্সর দিপা কুমারীবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চথরিবা নেসনেল ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কিলোগ্রাম ৪৮ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবী মণিপুরগী বোক্সর বিনা দেবীনা উত্তরখন্দগী বোক্সর অর্চনা থাপাবু পোইন্ট অমত্তা ফংহন্দনা বাওট অদুদা পোইন্ট ৫–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নেসনেল ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা মণিপুরগী বোক্সর প্রভিস চনুনা হরিয়ানাগী বোক্সর নিসাবু ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা পোইন্ট ৪–১ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা কেটেগোরি অদুগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সরজুবালা, বিনা অমসুং প্রভিস চনু মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটশিং অদু মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী বোক্সিং মশান্না অসিগী ওইনা য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেডল অমমমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিংদা মেরি কোমগা লেঙ্গা ওইরিবী লাইশ্রম সরিতা দেবীনা ওল ইন্দিয়া পুলিসকী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা হরিয়ানাগী রোটক সিটিদা পাঙথোক্লিবা নেসনেল ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৬০ গী কেটেগোরিদা অরুনাচল প্রদেশকী বোক্সর অকিলিয়া দুপকপু য়াম্না ঙন্না অহানবা রাউন্দদা রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্টতা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হায়রিবা ৱেথ কেটেগোরি অদুদা মণিপুরদগী শরুক য়াখিবী চাউবা দেবী রেলৱেজ স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দকী বোক্সর পবিত্রগা লম্বা তৌনবদা অনীশুবা রাউন্দদা রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্টতা মায়থিহৌদুনা মেডলগী খুদোং চাবা মাঙজখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৬৯ গী কাঙলুপ্তা ওল ইন্দিয়া পুলিসকী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবী মণিপুরদগী হৌখিবী বোক্সর মেমথোই দেবীনা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা হরিয়ানাগী বোক্সর নুপুরবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী মেডল ফংবগী তাঞ্জা অমা ফংখি।

### *লাইশ্রম সরিতা দেবী বিএফআইগী ইকজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীহুৎ ওইনা খনখ্রে*

*মমাঙদা ৱার্ল্ড অমসুং এসিয়ান বোক্সিংগী চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরদগী হৌখিবী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা দেবীবু বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ইকজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে।*

*কাউন্সিলগী মেম্বর খনবগী মীখল অদুদা মণিপুরগী লাইশ্রম সরিতা দেবীনা রেলৱেজ স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দকী সিমা পুনিয়াবু মায়থিবা পীদুনা মেম্বর ওইখিবনি। পনবা য়াই তোঙান–তোঙানবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমসুং বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা য়ুনিট ৩১ গী মনুংদা ২২ না সরিতাগী ভোৎ পীদুনা ইকজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর ওইহনখিবনি।*

## ৱার্ল্ড সেরিজ বোক্সিংগী অহানবা টাইদা ইন্দিয়া অমসুং রুশিয়া থেংনরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১০ঃ*

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসননা ইন্দিয়াগী মরিক চুম্বা বোক্সিং ফেদরেসন অমা লৈতে হায়বগী মরমদা মতম শাংনা অথিংবা থম্লুরবা মতুং ফেদরেসন অমা লৈরকপদগী ইন্দিয়াগী টিম্না মথং থাদা সেমি প্রোফেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৱার্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংগী অহানবা টাইদা রুশিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সরশিং অদুগী টিম অদুগী মমিং ইন্দিয়ান টাইগর হায়না মিং থোল্লি। হায়রিবা টিম অসিনা কুমজা ২০১২ দা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ৱার্ল্ডসেরিজ ওফ বোক্সিংগী ফ্রেন্সাইজ অমা ওইরিবা মুম্বাই ফাইটর্সকী মহুৎ শিনগদৌরিবনি।


বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মচিন চৎপা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না রুশিয়াগী টিম অদুগা ইন্দিয়ান টাইগরগী বোক্সরশিংগা ৱার্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংগী অহানবা টাই অদু মথং থাগী অহানবা চয়োলদা লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

পনবা য়াই চহী অসিগী মার্চ থাদা কজাখষ্টাননা য়ুম্বু ওইরগা মার্চ ২৪ দা দল্লিএসবিগী টাই অমা থেংনগনি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুনা এপ্রিল থাগী ২০ অমসুং ২১ দা লৈবাক অসিমক্তা য়ুম্বু ওইরগা রুশিয়া অমসুং চাইনাগী বোক্সরশিংগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ৱার্ল্ড সেরিজ ওফ বোক্সিংগী ৮শুবা ইদিসনগী এসিয়া গ্রুপকী ওইনা চাইনা, কজাখষ্টান, রুশিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী গ্রুপ অসিনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ৱার্ল্ড সেরিজ বোক্সিং অসিগী ওইনা ওলিম্পিক্কী ৱেথ কেটেগোরি ১০ লৈবগী মনুংদা বোক্সর ১০ মক শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র অমসু ওইরগনি হায়না মমাঙদা লাওথোকপা লৈখ্রবনি।

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিন সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোপানা অমদি ফ্রান্সকী রোজর*

*সিদনি, জনুৱারী ১০ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা শান্নরিবা সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিন সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ভেসেলিননা ফ্রান্সকী এফ মার্টিন অমসুং য়ুএসএগী এন মোনরোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নবা মতুং টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬(৭–৫), ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ভেসেলিননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা পেয়র অদুদি বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী দি ঝুমহুর অমদি জেক রিপব্লিক্কী আর জেবি লাক্তবদগী ৱাল্ক ওভর ফংখিবা নম্বর ৱান সিদেদ পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমদি ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিগী ষ্ট্রফ অমদি সর্ভিয়াগী ভিক্তর ট্রোইকিনা নেদরলেন্দসকী রোজর অমদি রোমানিয়াগী টেকাউগা লম্বা তৌনরগনি।

সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ স্পেনগী রামোস ভিনোলাসপু ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা ইটালিগী পি লোরেঞ্জি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা য়ুএসএগী জে দোনাল্ডসনবু ৬–৩, ৪–৬, ৭–৫ দা থোইরম্বা রুশিয়াগী দি মেদভেদেভকা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইটালগী ফোগনিনি অমসুং ফ্রান্সকী এ মনারিনো লম্বা তৌনরগনি। ইটালিগী ফোগনিনিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুক্রেনগী এ দোলগোপোলোভবু ৩–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরমখি। অমরোমদা ফ্রান্সকী মনারিনোনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লুথুৱানিয়াগী আর বেরানকিসপু ৬–২, ৬–১ দা থোইরমখি।

নুপাগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা লুজেমবর্গকী গাইল মুল্লর অমদি ফ্রান্সকী বি পেয়রি থেংনরগনি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী দি মিনোরনা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজনা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা লম্বা তৌনরগনি।